# ক্লাইমেট দিজাষ্টরনা খ্বাইদগী থিনা শোকহনবা ইকোনোমিজ ৫ গী মনুংদা ইন্দিয়া য়াওরি ঃ য়ু এন



*য়ুনাইটেদ নেসন্স, ওক্টোবর ১১*

শাথিবা নোং-চিংগী থৌদোকশিংনা গ্লোবেল ইকোনোমিদা পীবা চৈথেংগী মতাংদা পুথোকপা য়ু এন রিপোর্ট অমগী মতূং ইন্না হৌখিবা চহী ২০ দা নোং-চিংগী অমসুং ঈশিং নুংশিৎকা মরী লৈনবা মাঙ-তাকহনবগী থৌদোকশিংগা মরী লৈননা ইন্দিয়ানা দোল্লর বিল্লিয়ন ৭৯.৫ কী য়াম্নবা শেনফম অমা মাঙখি হায়রি। য়ু এস, চিনা, জপান, ইন্দিয়া অমসুং প্যুওরতো রিকোগী ইকোনোমিজশিং অসিগা মরী লৈবা মাঙ-তাকপগী থৌদোকশিংদগী ইকোনোমিদা হকথেংননা শোকখি।

'ইকোনোমিক লোসেস, পোভর্টি এন্দ দিজাষ্টরস ১৯৯৮-২০১৭' মিংথোনবা রিপোর্ট অদু য়ু এন ওফিস ফোর দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সননা পুথোকপনি।

কুমজা ১৯৯৮ দগী ২০১৭ ফাওবগী চহীশিং অসিদা ঈশিং-নুংশিৎকা মরী লৈনবা খুদোংথিবা থৌদোকশিংদগী হকথেংননা ইকোনোমিদা শোকহনবদা চাদা ১৫১ য়ৌনা অঙকপা ফংনা ৱাংখৎলকখি হায়না রিপোর্ট অসিনা হায়রি।

ঈশিং-নুংশিৎকা মরী লৈননা থোকপা খুদোংথিবা থৌদোকশিং অদুনা ১৯৯৮ অমসুং ২০১৭ গী মরক্তা গ্লোবেল ইকোনোমিদা শোকহনবগী মতাংদা শোক্লবা লৈবাকশিংনা দোল্লর ট্রিল্লিয়ন ২.৯০৮ কী শেনফম হকথেংননা মাঙই হায়বা রিপোর্ট তৌরকখি। মদু মমাঙগী চহী ২০ দা মাঙখিবা অদুদগী শরুক ২ হেনবনি।

কুমজা ১৯১৭ তগী ২০১৭ ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা ইকোনোমিগী মাঙজবশিং অদুদি য়ু এস-দোল্লর বিল্লিয়ন ৯৪৪.৮, চিনা-দোল্লর বিল্লিয়ন ৪৯২.২, জপান-দোল্লর বিল্লিয়ন ৩৭৬.৩, ইন্দিয়া দোল্লর বিল্লিয়ন ৭৯.৫ অমসুং প্যুওরতো রিকো- দোল্লর বিল্লিয়ন ৭১.৭ নি।

হায়রিবা চহীশিং অসিগী মনুংদা মীওই লাক্ষ ১৩ গী পুন্সি মাঙখি। অদুগা মীওই বিল্লিয়ন ৪.৪ না অশোক-অপন থোকখি, ময়ূম লৈহনখিদে অমসুং খুদক্তা তেংবাঙ মথৌ তাহনখি।

মরী লৈনবা সুনামিশিং য়াওনা য়ুহার হাবা ৫৬৩ না মীওই ৭৪৭,২৩৪ গী পুন্সি মাঙহনখি মসি নোং-চিংগী ফিভমগা মরী লৈননা পূম্না শিখিবা মীগী মশীংগী চাদা ৫৬ লোমনি হায়না রিপোর্ট অসিনা হায়রি।

রিপোর্ট অসি ওক্টোবর ১৩ দা থোক্লিবা ইন্টর্নেস্নেল দে ফোর দিজাষ্টর রিদক্সনগী মাঙওইননা পুথোকপনি।

য়ু এন সেক্রেটরী জেনরেল এন্টোনিও গ্যুতেরেজনা ইন্টর্নেস্নেল দে অদুগীদমক মাগী মেসেজদা হন্দক ইন্দোনেসিয়াদা পাক চাওনা মাঙ-তাকহনবা য়ুহার হাবা অমসুং সুনামি থোকখিবা অদুনা অসিগুম্বা মাঙ-তাকপগী থৌদোকশিং অসিনা চহী খুদিংগী মীওই মিল্লিয়ন কয়াগী পুন্সি মাঙহল্লি অমসুং ময়ূম মকৈ লৈহন্দে হায়খি। অসিগুম্বা খ্বাইদগী শাথিবা ঈশিং-নুংশিৎকী থৌদোকশিং অসিদা মাঙলিবা ইকোনোমিগী মাঙজবশিং অসিবু হেন্না মনুং থিৎনা খঙবনা ক্লাইমেট চেঞ্চ থেংননবা হেন্না চাওবা থবক লৌখৎনবা হোৎনবদা মতেং ওইরগনি অমসুং গ্রীনহাউস-গ্যাস ইমিসনশিং হন্থহন্নবগী ৱাখল পোকপা হেনগৎহল্লগনি হায়খি।

# নোংলৈ-নুংশিৎ 'টিতলি' না অন্ধ্রদা ৮ শিখ্রে, উরিষ্যাদা মী লাক্ষ ৩ লোম শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহল্লকখ্রে

*ভুবনেশ্বর, ওক্টোবর ১১*

ঙসি অয়ূক অঙনবদা উপাল-ৱাপালশিং অমসুং ইলেক্ট্রিক পোলশিং মরু ফুক্তৎতুনা নোংলৈ-নুংশিৎ টিতলিনা খা-থংবা উরিষ্যাগী সমুদ্র তোর্বান্দা অকিবা শত্তম লৌদুনা নুংশিৎ শিৎচিল্লকখ্রে। থংনবা অন্ধ্র প্রদেশতা নোংলৈ-নুংশিৎ অসিগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ৮ শিখ্রে।

বে ওফ বেঙ্গলগী মথক্তা য়াম্না কনবা সাইক্লোনিক ষ্টোর্ম অমা ওইনা কনখৎলকখিবা টিতলিনা কন্না নোং চুবা অমসুং অকনবা নুংশিৎকা লোয়ননা লাকখি। নোংলৈ-নুংশিৎ অসিদগী খুদোংথিবা থোক্তনবা মাঙজৌনবা থৌরাং ওইনা উরিষ্যাগী সমুদ্র তোর্বান্দা তাবা দিষ্ট্রিক্ট ৫ দা মীওই লাক্ষ ৩ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহল্লকখ্রে। দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা মীয়ামবু অনেম্বা বিচশিংদগী অমসুং সমুদ্রগী অৱাংবা ঈথক-ঈপোমশিংনা থুমজিল্লকপা য়াবা অতৈ মফমশিংদগী লাপ্না লৈনবা খঙহনখ্রে।

অৱাং থংবা অন্ধ্র প্রদেশকী সমুদ্র তোর্বান লমদমগী শ্রীকাকুলম অমসুং বিজ্যানগরাম দিষ্ট্রিক্টশিংদা টিতলি কৌবা নোংলৈ-নুংশিৎ অসিনা পাক-চাউনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। ঙামী ৬ য়াওনা ৮ শিখ্রে হায়না অন্ধ্র প্রদেশ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা ফোঙদোকখ্রে। শ্রীকাকুলাম দিষ্ট্রিক্টতা উ পাম্বী অমনা তেকথরকপদা ননদুনা মশাগী চহী ৬৭ শুরবী নুপী অমা শিখি অদুগা য়ূম তেক্লকপদা নুপা অমসু শিখি।

অন্ধ্র অমসুং উরিষ্যাগী মরক্তা ফ্লাইটশিং অমসুং ট্রেন সার্ভিসশিং অপনবা থোকখ্রে। ভুবনেশ্বরদা ইন্দিগো এয়ার লাইন্সকী ফ্লাইট ৫ ককথৎখ্রে। য়াম্না শাথিবা সাইক্লোনিক ষ্টোর্ম অদু বিসাখা পতনম, গোপালপুর অমসুং পারাদিপতা লৈরিবা দোপ্পলর ৱেদর রাদরশিংনা মোনিতর তৌরি।

চীফ মিনিষ্টর নবীন পাতনাইকনা ঙরাং ফিভম অদু য়েংশিল্লদুনা মীয়াম্বু শাফগদবা মফমদা লৌথোক্লক্কবা সমুদ্র তোর্বানগী দিষ্ট্রিক্ট ৫ গী কল্লেক্তরশিংদা পাউতাক পীখ্রে।

# থা ৪ রোম চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবা গঙ্গা এক্টিভিষ্ট জি দি অগৰ্ৱাল ঋিশিকেসতা লৈবা এআইএমএস হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১১*

গঙ্গা তুরেলবু শেংদোক্লবা গভর্ণমেন্টতা তকশিন্দুনা চহী ২২ দগী হৌনা মতম কক্তবা চরা হেনবগী খোঙজং অমা চঙশিল্লকখিবা এক্টিভিষ্ট জি দি অগর্ৱাল ঋিশিকেসতা লৈবা এআইআইএমএস হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে, মশাগী চহী ৪৭ শুখ্রে। মীয়াম্না শকখঙনরবা ইনভাইরোন্মেন্টেলিষ্ট অসি হার্ট এটেক অমা তৌখি হায়রি।



গঙ্গা তুরেলবু ঙাক-শেনগদবা অমসুং উত্তরখন্দগী গঙ্গোত্রিদগী উত্তরকাসি ফাওবগী মরক্তা তুরেল অসিগী ঈচেল অপনবা লৈতনা চেলহন্নবা লো অমা মহাক্না দিমান্দ তৌবনি হায়রি।

স্বামি জ্ঞান স্বরূপ সনান্দ হায়নসু খঙনবা জি দি অগর্ৱাল নুমিৎ ১০৯ চরা হেল্লকখ্রবা তুংদা ঙরাং ঋিশিকেসতা লৈবা এআইআইএমএস হোস্পিটালদা হরিদ্বারদগী পুলিসনা পুরকখিবনি।

'ক্লিন গঙ্গা' এক্টিভিষ্ট অদুনা চরা হেল্লকখিবা অদুদা খোইহিগা য়ান্নবা ঈশিং খক্তমক থক্লকখি। অদুবু মহাক্কী দিমান্দগী মতাংদা ৱারী শান্নবদা কান্নবা অমত্তা ফংদবদগী ঈশিং থকপা অদু ফাওবা তোকখ্রে হায়না পাউ কয়ানা হায়রি।

জি দি অগর্ৱাল মতম অমদা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি, কানপুরদা প্রোফেসার অমা ওইরম্মী। সেন্ট্রেল পোলুসন কন্ট্রোল বোর্দ (সি পি সি বি) গী মেম্বর সেক্রেটরী অমসু ওইরম্মী। মহাক্না মমাঙদসু তুরেলশিং কন্নবা চরা হেনবগী খোঙজং চথখ্রে। কুমজা ২০০৯ দা মহাক্না চথখিবা চরা হেনবগী খোঙজং অদুনা ভগিরথি তুরেলদা শারকখিবা দাম অমা শাবা লেপখিবনি। গঙ্গা তুরেলবু কন্নবা মহাক্কী ৱাকৎশিং অদুদা নরেন্দ্র মোদিনা করিমত্তা তাবিদবদগী ঐখোয়গী মাঙজিন থাবা ইনভাইরোন্মেন্টেলিষ্ট জি দি অগর্ৱালনা ঙরাং লৈখিদবনি। মালেম অসি অশেংবা থৱাইশিংগীদমক নৎত্রে হায়না লোয়র অমসুং এক্টিভিষ্ট প্রসান্ত ভুসননা ফোঙদোকখ্রে।

# নবরাত্রি থৌরম মনুংদা শিব সেনা অমসুং অতোপ্পা হিন্দু লূপ অমনা গুরগাওদা শা অমসুং য়েন য়োনবা দুকান ৪০০ থিংজিনখ্রে



*গুরগাও, ওক্টোবর ১১*

নবরাত্রি থৌরম মনুংদা শা অমসুং য়েন য়োনবা দুকানশিং থিংজিগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা শিব সেনা অমসুং অতোপ্পা হিন্দু লূপ অমনা ঙরাং য়ূমশকৈশা নুমিত্তা গুরগাওগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা শা অমসুং য়েন য়োনবা দুকান ৪০০ রোম নমদুনা থিংজিনখ্রে।

পাউগী এজেন্সিদা শিব সেনাগী গুরগাও য়ুনিটকী চীফ ওইরিবা গৌতম সাইনিনা হায়খি, ঙরাং অয়ূক ওল্ড রেলৱে রোদতা লৈবা শিব লাইশঙদা হিন্দু লূপশিংনি হায়বা তোঙান তোঙানবা লূপশিংগী মেম্বর ৩০০ রোম পুনখি অমসুং শা য়োনবা দুকানশিং থিংজিন্নবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎখি।

ঙরাং পলাম বিহারদা সেনাগী শিন্মী খূৎপু অমা পুল্লকখি অমসুং সুরাট নগর, অশোক বিহার, সেক্তর ৫ অমসুং ৯ পতৌদি চোক, জকোবপুর, সদর বাজার, খান্দসা অনাজ মন্দি, বস ষ্টেন্দ, দি এল এফ এরিয়া, সোহনা অমসুং সেক্তর ১৪ দা লৈবা মিট মার্কেটশিং নমদুনা থিংজিনখি হায়না মফমশিংদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৪ দা সেন্টর অমসুং হরিয়ানাদা বি জে পি না লৈঙাক পায়রকখিবা মতূংদগী নবরাত্রিগী থৌরম মতমদা অসিগুম্বা খোঙজং অসি চহী খুদিংগী চথরকপা মরমনা খূৎ থোক্লরকপা য়াই হায়বা কিবদগী মফম অসিগী দুকানশিংগী চাদা ৫০ রোমদি হান্ননা মশা-মশানা লোনশিন্নখ্রবনি হায়রি।

শিবা সেনা ৱার্করশিংনা নুমিৎ ৯ নিগী নবরাত্রি থৌরম মনুংদা মনা-মশীংগী নৎতবা চিঞ্জাক য়োনবা দুকানশিং থিংজিন্নবা দুকান মপুশিংদা খঙহনখ্রে। দুকান ৬০ থিংজিনখ্রে। করিগুম্বা লেমহৌরিবা দুকান ৯৪০ অসি মখা তানা হাঙলবদি ঐখোয়না মমাঙগী চহীশিংদা তৌখিবগুমনা নমফুদা থিংজিনবতা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী লৈতে হায়না শিবা সেনাগী গুরগাও ইন-চার্জ সঞ্জয় থকরালনা কিহনখি। গুরগাওদা অসিগুম্বা শা অমসুং য়েন য়োনবা দুকান ১০০০ রোম লৈ।

হিন্দু লূপশিংগীনি হায়বা ৱার্করশিংনা ঙরাং অয়ূক দুকানশিংদা থিংজিন্নবা চৎপা খোঙচৎতা খূৎ থোক্লরকখি অমসুং মফমদুগী পুলিসনা খোঙচৎ চৎলিবা লুচিংবা ৪ ফাখি। শান্তিগী ফিভম থুগাইবগীদমক মখোয়গী মথক্তা আই পি সি গী মরী লৈনবা সেক্সনশিংগী মখাদা এফ আই আর অমা লৌখৎখ্রে হায়না গুরগাও পুলিস পি আর ও সুভাশ বোকাননা হায়খি।

কনাগুম্বনা মখোয়গী দুকান মশানা থিংজিনবা পান্নবদি মদু মখোয়গী অনীংবনি। ওইরিবা ফিভম অসি কূপ্না শেন্ননবা ঐখোয়না সিটি এস ঐচ ও পূন্নমক্তা পাউতাক পীখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা খুদোংচাদবা মায়োক্লবা মীওইশিংনা পুলিস কমপ্লেনশিং শোয়দনমক থাঙ্গৎলক্লবা পুলিস পি আর ও সুবাশ বোকাননা মীয়ামদা আপিল তৌখি।

# শ্রীলঙ্কানা য়ু এস কী ৱারোল য়াখিদ্রে, হিথাংফমদা চিনাগী মিলিটরি বেজ অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে



*কলম্বো, ওক্টোবর ১১*

শ্রীলঙ্কানা চিনাদা লীজ তৌখিবা লালগী মীৎয়েংদা মরু ওইরবা হিথাংফম অমদা চিনানা ফোরৱার্দ মিলিটরি বেজ অমা লীংখৎলকপা য়াই হায়বা য়ু এস কী ৱারোল অমা ৱাখলনা শাজিনবা অমনি হায়রদুনা শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিংঘেনা য়াখিদ্রে।

হৌখিবা চহীদা প্রোজেক্ট অদুগী দোল্লর মিল্লিয়ন ১.৪ গী চিনাগী লোন অমা শীংবা ঙমদবদগী হম্বান্তোতা কৌবা হিথাংফম অদু শ্রীলঙ্কানা বৈজিংদা চহী ৯৯ গী ওইবা লীজ অমদা পীখিবনি।

হিথাংফম অদুদা চিনাগী থবক ইথ্বাং তৌবা হেনগৎলকখিবদগী লৈবাক অসিনা হিথাংফম অদু মিলিটরিগী ওইবা হীরমশিংদা শীজিন্নরকপা য়াই হায়বগী নুংনাংবা লাকখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা লন্দনগী ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর ৱিক্রেমেসিংঘেনা মীওই খরনা শ্রীলঙ্কাদা ৱাখলনা শাজিনবা চাইনিজ নেভেল বেজশিং উরি হায়খি।

হম্বান্তোতা পোর্ট অসি ঐখোয়গী পোর্টস ওথোরিটি অমসুং হোং কোং ষ্টোক এক্সচেঞ্জদা লিষ্টেদ কম্পেনি অমা ওইরিবা চিনা মার্চেন্টসকগী মরক্তা কম্মর্সিয়েলগী জোইন্ট বেঞ্চর অমনি। শ্রীলঙ্কাদা মীরৈবাক্কী নেভিগী বেজশিং অমত্তা লৈতে হায়না মহাক্না অচেৎপা ৱাফম থমখি।

চিনানা মখোয়গী মালেমদা শক্তি শন্দোক্লবা 'দেবট দিপ্লোমেসি' শীজিন্নরি অমসুং হম্বান্তোতা অসি চিনাগী হেন্না চাওখৎলক্লিবা ব্লু-ৱাতর নেভিগী ফোরৱার্দ মিলিটরি বেজ অমা থুনমক ওইরকপা য়াই হায়না য়ু এস ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা ফোঙদোকখিবা অদুগী নুমিৎ খরনিগী তুংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি ফোঙদোক্লকখিবনি।

এসিয়া অমসুং য়ুরোপগী মরক্তা মরু ওইবা জহাজ লম্বী অমগী মনাক্তা লৈরিবা দীপৱাতর পোর্ট অসি চিনাগী বেল্ট এন্দ রোদ ইনিসিয়েটিভ (বি আর আই) দা মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌরকপা য়াই হায়না মেদিয়া রিপোর্ট কয়ানা ফোঙদোকখিবনি।

সিল্ক রোদ ইকোনোমিক বেল্ট হায়নসু খঙনবা বি আর আই হায়রিবসি য়ুরেসিয়ান লৈবাকশিংগী মরক্তা লম্বী ফাওনবা অমসুং তেংবাঙনবদা মীৎয়েং থম্বা চিনা গভর্ণমেন্টনা পায়খৎনবা হৌদোক্লিবা দিভলপমেন্টকী লাল্লোং অমনি।

চিনাগী গভর্ণমেন্টনা থবক অসিবু রিজনেল কন্নেক্টিভিটি হেনগৎহন্নবা লোয়ননা হেন্না মশক-মঙাল লৈবা তুংগী ফিভম অমা লৈহন্নবা হোৎনবা অমনি হায়রি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়া য়াওনা অতৈ লৈবাকশিংনা মদু চিনানা ময়োল ওইবা ললোন-ঈতিক্কী নেটৱার্ক অমগা লোয়ননা মালেমগী থবক থৌওংশিংদা বৈজিংনা হেন্না চাওবা থৌদাং অমা লৌনবা হোৎনরকপা খোঙথাং অমা ওইনা উনরি।

পাকিষ্টান-ওকুপাইট কাশ্মীর মনুং ফাওনা চৎকদৌরিবা চিনা-পাকিষ্টান ইকোনোমিক কোরিদর (সি পি ই সি) সু য়াওরিবা বি আর আই গী মায়োক্তা লেপ্পদা ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী য়ানিংদবা ফিরেপ লৌরি।

শ্রীলঙ্কা প্রাইম মিনিষ্টর ৱেক্রেমেসিংঘেনা লন্দনদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মখা তানা ফোঙদোকপদা লঙ্কা নেভিগী সাউথ কম্মান্দ অদু সেক্যুরিটি লাকশিন্নবা হম্বান্তোতা পোর্টতা মফম হোংদোকখ্রে অমসুং মদুগী মতাংদা য়ু এস দিফেন্স দিপার্টমেন্টতসু খঙহনখ্রবনি হায়খি।

চিনাদগী শেন্দোই ৱাংবা কম্মর্সিয়েল লোনগা লোয়ননা শাবা হম্বান্তোতা এয়ারপোর্টকী থবক অদু এয়ারপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এ এ আই) না পায়গদৌরিবা কম্মর্সিয়েল এগ্রীমেন্ট অমসু শ্রীলঙ্কানা তৌনগদৌরি হায়না মহাক্না হায়খি।

চিংনবনা থল্লবা ফিভম মরক অসিদা সাউথ চিনা সিগী ৱাথোকশিং অদু শন্দোক্লক্তুনা ইন্দিয়ান ওসিনদসু মতূংদা মিলিটরাইজেসন অমসুং মিলিটরি কম্পিটিসন থোকহল্লগদ্রা হায়না লৈবাক কয়ানা অকিবা পোক্লি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তাখি।


## GAS TODAY

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 12/07/18
Sl. No. 225470
Valid : 07/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 08/08/18
Valid : 04/08/18
Stk : 288
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Canchi Indane Service**
Booking : 31/07/18
Valid : 27/07/18
Stk : 576
5kg Stocks Available

**Hrangchal Gas (Old Lambulane)**
Booking : 27/07/18
Valid : 25/07/18
Stk : 306
Aadhaar link consumers only
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 30/07/18
Valid : 04/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**G B D Gas, Lamlong**
Booking : 09/07/18
Valid : 30/06/18
Stk : 612 CTC
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Leibaklei Gas**
Booking : 27/06/18
Valid : 18/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 25/07/18
Valid : 22/07/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 25/06/18
Sl. No. 21200
Valid : 12/06/18
Stk : 612
Rate : Rs. 998.50/-
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Maibia Gas**
Booking : 17/07/18
Sl. No. 3950 upto 9450
Valid : 14/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : 13/08/18
Sl. No. 22188
Valid : 05/08/18
Stk : 59/19kg 29

**M M Gas, Lamphel**
Booking : 17/07/18
Valid : 10/07/18
Stk : 612
19 kg & 5 kg Avl.
Rate : Rs. 998.50/-
Time : 07.00 to 10.00 a.m


# ইন্টর্নেস্নেল স্পেস ষ্টেসনগী ক্রু পুখিবা রোকেট পাইরিঙৈদা য়ারকখিদ্রে, ক্রু মেম্বর ২ হিংহৌরে



*বাইকোনুর কোস্মোদ্রোম, ওক্টোবর ১১*

ইন্টের্নেস্নেল স্পেস ষ্টেসন তন্না রসিয়ান অমসুং অমসুং য়ু এস অমা য়াওনা সোয়ুজ স্পেসক্রাফ্ট অমা পুখিবা বূষ্টর রোকেট অমা পাইরিঙৈ নোংথক্তা ঙসি য়ারকখিদ্রে। অদুবু তঙাইফদবদগী ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌদুনা ক্রু মেম্বরশিং অদু অশোয়-অঙাম থোক্তনা হিংহৌরে হায়রি।

রোকেট অদুনা য়ু এস এষ্ট্রোনোট নিক হেগ অমসুং রসিয়ান কোস্মোনোট অলেকজে ওবচিনিন পুখিবনি।

স্পেস ক্রাফ্ট অদুগী মনুংদগী ফংখিবা ফুটেজনা ক্রু মেম্বর অনী অদু রোকেট য়ারকখিদবা মতম অদুদা মশা নীকপা মখোয়গী মখোঙ মখূৎশিং হাইদুনা লৈবা উৎলকখি। রোকেট অদু কাজখষ্টানগী বাইকোনুরদা লৈবা সোভিয়েট য়ুনিয়ন মতমগী কোস্মোদ্রোমদগী থাগৎখিবনি।

কিলোমিটর ১ রোম লাপ্পা মফমদগী রোকেট থাগৎখিবা অদুবু য়েংখিবা পাউগী এজেন্সি রোইটরসকী পাউমী অমনা রোকেট অদুবু পাইখৎখিবগী অহানবা তাঙ্ককশিংদা য়াম্না ফজনা চৎখি অমসুং বূষ্টর রোকেটশিং অদুনা য়ারকখিদবা অদু হেন্না ৱাংবা ওল্টিচুদতা থোকপা শোয়দনা ওইরমগনি হায়খি।

থৌদোক অদুগী পাউদম পীরদুনা রসিয়াগী ন্যুজ এজেন্সিশিংনা ক্রু অদু য়াম্না ফজনা শোয়-ঙাম থোক্তনা ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌখ্রে হায়খি। মখোয়দা রেডিও কন্টেক তৌনবা ফংঙি অমসুং হৌজিক মখোয়বু লৌখৎলুনবা রেস্ক্যুয়রশিং লম্বীদা লৈখ্রে হায়খি।

ক্রু মেম্বর অনী অদু পুদুনা পৃথিবী তন্না হল্লক্লিবা সোয়ুজ স্পেসক্রাফ্ট অদুনা তারকফম ওইগনি থাজরিবা মফম অদু তন্না সর্চ এন্দ রেস্ক্যু টিমশিং নোংথক্তা লৈরি অমসুং ক্রু মেম্বর অনী অদু পুদুনা পৃথিবী তন্না হল্লক্লিবা সোয়ুজ স্পেসক্রাফ্ট অদুনা তারকফম ওইগনি থাজরিবা মফম অদু তন্না চঙশিনখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ু এস কী নাসা (নেস্নেল এরোনোটিক্স এন্দ স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসন) না হায়রি।

# টেরোরিজমদা শেল থাদবা থিংনবা পাকিষ্টান্না লৌখৎলিবা থবক্তা এফ এ এফ টি না পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে



*ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ১১*

টেরোরিজমদা শেল থাদবা থিংনবা পাকিষ্টান্না লৌখৎলিবা থবক্তা পেন্দ্রবা ফাইনান্সিয়েল এক্সন তাস্ক ফোর্স (এফ এ টি এফ) কী দেলিগেসন অমনা পেরিসতা লৈবা এন্টি-মোনিলোন্দরিং ৱাটচদোগ অসিনা ব্লেক লিষ্ট তৌহন্দবা পান্নবদি পাকিষ্টানগী লিগেল ফ্রেমৱার্ক মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থবক হেন্না তৌনবা খঙহনখ্রে হায়না ঙসি মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

এফ এ টি এফ কী গ্রে লিষ্টতা হৌজিক থল্লিবা পাকিষ্টান্না হৌখিবা থা খরদা মসিগী রিগ্যুলেসনশিং ইন্দবা লৈবাকশিং লিষ্টতা য়াওদনবা কন্না হোৎনরকখি। মালেমগী ওইবা নুংনাংবা অসি কোকহন্নবা জুন থাদা য়ানখিবা এক্সন প্লান অমগী মতাংদা পাকিষ্টান্না লৌখৎলিবা খোঙথাংগী খুমাঙ চাওশিনবা অদু য়েংশিন্নবা এফ এ টি এফ কী অনীশুবা এক্সপার্ট টিম অমা চয়োল লোয়শিনবা নুমিত্তা থুংলখি। অদুবু টেরর ফাইনান্সিং থিংনবগা মরী লৈনবা পাকিষ্টানগী লীগেল ফ্রেমৱার্ক অদু মতীক চাদবা থেংনবদগী হৌজিক ফাওবদা পাকিষ্টান্না লৌখৎলিবা থবকশিংদা এফ এ টি এফ কী এসিয়া পেসিফিক গ্রুপ (এ পি জি) গী দেলিগেসন অদুনা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

লীখুনশিংগী মতূং ইন্না নন-প্রোফিট ওর্গনাইজেসনশিং, ব্রোকরেজ হাউসশিং, এক্সচেঞ্জ কম্পেনিশিং, কোর্পোরেট এন্টাইতিগী দোনেসনশিংগী থবকশিং য়েংশিন্নবা থল্লিবা সেতপ অদু মতীক চাদে হায়না অকিবা ফোঙদোকখি।

## সনা-সুদোকু -১৩১৬ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 9 | 3 | 7 | 6 | 1 | 8 | 5 | 2 |
| 2 | 7 | 5 | 9 | 8 | 3 | 4 | 1 | 6 |
| 6 | 8 | 1 | 4 | 5 | 2 | 3 | 9 | 7 |
| 3 | 5 | 4 | 8 | 2 | 6 | 1 | 7 | 9 |
| 8 | 2 | 6 | 1 | 7 | 9 | 5 | 4 | 3 |
| 9 | 1 | 7 | 5 | 3 | 4 | 6 | 2 | 8 |
| 7 | 6 | 9 | 3 | 1 | 5 | 2 | 8 | 4 |
| 5 | 3 | 8 | 2 | 4 | 7 | 9 | 6 | 1 |
| 1 | 4 | 2 | 6 | 9 | 8 | 7 | 3 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1317**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 2 | | | | | | 4 |
| | | 8 | | 4 | | | | |
| | | | 6 | | | 1 | | |
| | 7 | | | 8 | 2 | | 4 | 6 |
| | | 4 | | 5 | | | | |
| 9 | 6 | | | | | 3 | | |
| 2 | 3 | | 8 | 1 | 4 | 6 | | |
| | | 7 | | | | | | |
| | 1 | | | 2 | | | 8 | |